# আর্ট অমদি আর্টিষ্টপু সেলনা শিনবা য়াই খনবদি য়ানিংদে ঃ জেমস

## সুর মৈতৈ

### সুর মৈতৈ

ঈশৈ হায়বসি মীওইবগী তৎনা থানবা য়াদ্রবা কলা অমনি হায়বসি পুন্সিগী খোঙচৎ নৈনরুবা মতমদা থোইনা লান্দাবরা হায়না খল্লি। সমাজ অসিগী অফ–ফত্ত কয়াবু নৈনদুনা মেসেজ পীবা মতমদসু ঈশৈগী মতেংনা কাচিন কোয়া য়ৌনা পীবা ঙম্মী হায়বসি মাঙদা তাদুনা লৈরবা ৱাফম্নি। মরম অদুনা ঈশৈ শক্লিবা শক্লিবীশিংবু নুংশিবা অমগা লোয়নন্না য়োখৎপীবা হায়বসি তঙাই ফদবরা হায়না খল্লি। ঙসি লমদম অসিদা লৈরিবা কলা কয়া অসিগী মনুংদা ঈশৈ হায়বা কলা অসিসু অৱাংবা কলা অমনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম্নি। অসিগুম্বা কলা অসিবু য়োখৎচবা পামজরিবা আর্টিসশিংবু মমল লৈতবা মানবা মওং অমা হেক–হক থেংনবসি থম্মোয় শোক্না নুঙাইতে হায়না নৌনা ঈশৈগী লমদা মীয়াম্না পাম্নরক্লিবা শৈশকপা জেমস চোংথাম্না পাউ চে অসিদা মহাক্কী ওইবা মত থমলক্লি।



কৈশামথোং কেন্দ্রগী মনুং চন্না কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈবা রাজেন্দ্রা চোংথাম অমদি সান্তি গোস্বামি অনিগী মচা নুপী অমা অমদি মচানুপা অমা পুন্না মচা অনী ফঙজবগী মনুংদা ইং ১৯৯২ গী ফেব্রুৱারিগী তাং ১২ দা অনীশুবা ওইনা ফঙজখিবা জেমস ঙসিদি শৈশকপা অমা ওইনা মীয়াম্না শক খঙন্নরি।

মসিদগী হেন্দোক্তুনা নোর্ঠইষ্টকী মীওইশিংনসু শৈশকপা জেমসপু হেন্না পামনরক্লি। জেমস পীক্লিঙৈ মতমদগী লাইয়েকপা পাম্না হৌরকখি। মদুগী মতুং তাবা মহাক্না তিন্নজবা মমান্নবাশিংগা পুন্দুনা রোক তা খোংদারকখি। পামজবখক্না মাঙজিন থাদুনা খোঙদারকখিবা জেমসকী ৱাখল্লোন অমদি মঙোন্দা পীথোক্লকপা গুন অদুবু মহাক্কী অপোকপা অপোকপিনা খঙলদুনা অপোকপনা রবিন্দ্রা সঙ্গিৎকী ওইবা নোলেজ কয়া অমা পীবিবগী মথক্তা মীয়ুজিক দাইরেক্তর অমা ওইরিবা মহাক্না কাকা হায়না কৌজবা থাংজম তোম্বাগী মীৎয়েং মখাদা অমদি শৈশকপী মহাক্না ওজা হায়না কৌজবী অশেম বীমোলাগী লমজিং মখাদা চংজবা ঙমখিবনা ঙসিদি মীয়াম্না পাম্নবা শৈশকপা ওইরক্লিবা জেমস চোংথামগা শান্নখিবা ৱারীগী পাউদম খরা.....

*সুরঃ* জেমসসি শৈশকপা অমা ওইনা মীয়াম্না পাম্নবা আর্টিসশিংগী মনুংদা অমা হায়বদু ওইরে। মতৌ করম্না ঈশৈগী লমদা চংলকখিবনো অমদি জেমসবু ফীভব অসি য়ৌহল্লকপদা মখোঙ নিংথিনা শোন্নীখিবা অমদি হিমাই নিংথিনা চুম্বীখি্বা অমদি কৈরাক থাবিখিবা মীওইশিং অদু কনা–কনা ওইখিবগে?

*জেমসঃ* ঐদি ঈশৈগী মগুন অসি করিনো খঙলক্ত্রিঙৈ পামজবখক্না লৈকাইগী অমদি স্কুলগী ইমান্নবাশিংগা পুন্সিদুনা রোক তা খোঙদারকখি। অদুবু ঐবু পোকপা ইপা ঈশৈ শকপমক নত্রবসু ঈশৈগী লমদা খরা খঙলম্বনা অশংবা মতমদা রবিন্দ্রা সঙ্গিৎকী মতাংদা নিংথিজনা তাকপী–তম্বীরকখি। মতম অদুদা ঐগী ৱাখলদা হৌজিক্কী মতমদা ক্লাসিকেল ঈশৈনা কৈদৌনরুদোইনো হায়না খনখি। নোংমা মিয়্যুজিক কলেজদা ঈশৈগী কম্পিটিসন অমা পাঙথোকপা মতমদা ঐগী বাবানা ঐবু শরুক য়াহনখি। নুমিৎ অদুদা ঈশৈগী লমদা খঙহৈরবা লাইগুম্না লাৎপা য়ারবা অহল ওইরবা মীওই কয়ানা মীৎয়েং তাবা লাকখিবা থাক ৱাংলবা ঈশৈগী ফম্পাক অদুদা ঈশৈগী লমদা করিসু খঙদ্রিবা ঐনা বাবানা তাকপিখিবা অদুদা কাকা তোম্বানা থৌনা পীবিরকখিবা অদুনা “ক্রন্তি অমর খোমা কোরো প্রবু” হায়না শৈহৌ ঈশৈ অমা য়াম্না কিনা অমদি পাখৎনা পুন্সিগী অহানবা ওইনা শকপা ফঙজখি। নুমিৎ অদুদা মীৎয়েং তাবা লাকখিবা লাইগুল্লবা অহলশিং অদুনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ওইয়ু হায়না কোক্তা নুংশিনা নাহ্থবিরকখিবা মতমদা ৱাখলদা অমদি থম্মোয়দা করিগুম্বা চিনশিমক্না হায়াদোকপা ঙমদবা নুঙাইবা অমদি থৌনা অমা পীরকপগুম্না ফাওখি। নুমিৎ অদুদগী ক্লাসিকেলগী ওইবা লমদা হেন্না খঙনিংলক্লদুনা লম অসিদা মায় ওনশিনবা হৌখিবনি। ঙসি ঐবু মীয়াম্না নুংশিবিরকপা ফিভম অসি য়ৌবদা ইমা–বাবা ইচে অমদি ঐগী মরুপশিংনা মখোঙ শোন্বিরকখিবনি। কৈরাক নিংথিজনা থাবীরকখিবদি কাকা থাংজম তোম্বা অমদি দাদা অলিনি। অদুগা হিমাই নিংথিনা চুম্বিরকখিবনা ওজা অশেম বীমোলা অমদি কাকা বিক্রম অদিত্যানি।

*সুরঃ* কম্পিটিসন অদুনা জেমসকী পুন্সিদা অনৌবা থৌনা ওইহনখ্রবা মতুং অহানবা মীয়াম্না শক খঙখিবসি করিদগীনো?

*জেমসঃ* ঐনা ঈশৈদা মায় ওনশিল্লক্লবা মতম অদুদা ওজা বীমোলাগী মনাক্তা তত্তনা চৎপা ফঙজরকপদগীদি ওজা অসিগী মচা নুপা ঐনদি দাদা হায়না কৌজবা মিয়ুজিক দাইরেক্তর অমা ওইরিবা দাদা অলিনা এলবমদা “উনা উনা উদসা” হাইরিবা অসিদা অহানবা ওইনা পুসিনবিবদগী মীয়াম্না ঐবু শক কাবক–কাবক খঙবা হৌরকখিব্রা হায়না খল্লি। মসিগী মতুং “ হায়নি হায়নি ”, “ থাজগুল্লবী ”, “ ফিল অপ দা ব্লেঙ্ক ”, পেনা ভিজন অমদি “ লৈনালৈ ( হে লৈশাবী)” নচিংবা পুন্না এলবম তরা মুক্তা শরুক য়ারুবদগী ঐবু মীয়াম্না হেন্না শক খঙবিরকখিব্রা হায়না খল্লি।

*সুরঃ* জেমসসি ফিল্মদসু খোঙদাবা হৌরে হায়না তাই। করম–করম্বা ফিল্মশিংদা কুমখ্রবগে? ফিল্মগী ওইবা ঈশৈগদি কয়ামুক শকখ্রবগে?

*জেমসঃ* মীৎয়েংনা অমা ৱাখলনা অমা হায়বসিদা সপোর্টিং রোল, ঐগী অপিয়োদা মরুওইবা রোল, নুংশি শম্বলদা শৈশকপা অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙমজখ্রে। নমগদবা ফিল্ম তরুক অমদসু শরুক য়াগদৌরি। ফিল্মগী অফবা নুমিৎ ঙাইদুনা লৈরি। অদুগা এন আর জি এসনা পুথোকপা এব্রার্নেস পোগ্রামগী ওইবা সোর্ট ফিল্ম অমদসু শরুক য়াখ্রে। ফিল্ম ঈশৈগী ওইনদি বেরাগীবোম ফিল্মদা “ লৈরাংনা কৈদৌরুনি ”, লৈরক ফিল্মদা “ চীক্লবা অহিংগী মতম ”, ঐগী অপিয়ো ফিল্মদা “ হিংলিবা পুন্সিসে নুংশিবগীদমক্লি ”, “ নুংশি ঐদি নঙবু ” অমদি নুংশি শম্বল ফিল্মদা “ শুম–শুম হেল্লকলে নুংশিবনা হেল্লক্লে ” নচিংবা ফিল্ম খরদসু শকচখ্রে।



*সুরঃ* জেমসসি মীয়াম্নদি কোরিয়ান মতৌ তম্বনি, কোরিয়ান মাল্লি হায়নরি মসিগী মথক্তা নুপী অঙাংগা লৈরমগনি হায়ন্বা তাই মতাং অসিদা করি মত পীনিংবগে?

*জেমসঃ* মীয়ামগী চিন ঐনা মেললুবা ইতিক নত্তে। অদুবু ঐগী পুন্সি খোঙচত্তা মীয়াম্না লান্না উখিগদবা থবক্তি অমত্তা তৌরক্ত্রি । মীয়াম্না হায়বিরিবশিং অসি ঐবু নুংশিবিবা হেনবদগীনি হায়না লৌজগে। মীয়াম্না নুংশিবিবা অদুখক্তা পামজনা মীয়াম মরক্তা তিনবা ঙমনবা হোৎনজবা পুন্সিদা কনানা করি খল্লিগে হায়বদুদি ঐনা করম্না খঙগনি। ঐ কোরিয়ান মাল্লি হায়বসি মায়দনি খঙদে, দ্রেসতনি খঙদে অমদি ফিভমদনি খঙদে অমানবা অমদি য়াওরম্বা তাই। অদুবু ঐ কোরিয়ানগী মতৌ তম্লুবদি লৈতে। ঐনা ইশাগী লুক অমা শেম্নবা হোৎনজবদা মানবা নত্তবা মান্নবা য়াওরম্বগী ওইবসু য়াই।

*সুরঃ* মীয়াম্না শুম হায়নবদা জেমসসি শকসু ফজবনিনা নুপী য়াম্না কোইরমগনি হায়নৈ মসি কন্দায়ফাওবা চুম্বগে? হৌজিক জেমসকা থম্মোয় পীনবী মহাক অদু লৈরব্রা হায়বসি জেমসপু নুংশিজবা মীওই কয়ানা খঙনিংবা ৱাহং অমা ওইরি। জেমসকী অপাম্বগী মতুংইন্না তুংগী খোঙচৎতা পুন্না চৎমিন্নগদৌরিবী মহাক অদু করম্বা মীশক ওইবা পাম্বগে?

*জেমসঃ* হা..হা.. মানবা হায়বসিদি নত্তে হায়বদুনি নুপীদা নত্তনা নুপাসু য়াম্না খঙনৈ। অদুবু নুপী কোইবদি লাইরদনা নুংশিনবা নুপীফাওবা লৈজদ্রি। অপাম্বা খুদিংমক থুংগনি হায়বদি লৈতে অদুবু ঐগী পামজবা হায়রগদি যুম পুবা ঙম্বী, ঐগী অপাম পামদা খঙনা অফবা অচুম্বা লম্বীদা সপোর্ট তৌবিবা ঙমগদৌবী অমদি জেমসগী নুপীনি হায়বদা ঐনা হেন্না চাওথোকচবা ঙমগদবী অদুগুম্বী ঐগী তুংগী খোঙলোই ওইবা পাম্মী।

*সুরঃ* জেমসনা ফিভম অসি য়ৌরকপদা থেংনখিবা অৱা–নুঙাই খরদি অদুম লৈরমগনি হায়না খল্লি। করি করম্বা অৱা–নুঙাই থেংনখিবা লৈবগে?

*জেমসঃ* ঐগী মামা–বাবা ইচে অমদি মরুপশিংনা ঐগী অপাম্বা লম্বী অসিদা থৱায় হকচাং য়াওনা সপোর্ট তৌবিরকপদা নত্তনা অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্নীরকখিদবা অমদি ওজাশিংনা নুংশিবিরকপনা থোইনা অৱাবা হায়বদুদি লৈরকখিদে। ঐনা নুংঙাইখিদবা হায়বা তারগদি ঈশৈ শকফমদা ঈশৈগী নুঙাইবা মহাও লৌবিবগী মহুত্তা নিষা খাইবা ওইনা লাক্লবা, শেল পায়বা শঙ্গলৈবশিংনা আর্টিসশিংবু য়োখৎপিবগী মহুত্তা শেলনা নেকপা য়াই হায়বগী মতাগুম শেল পীরগা শিজিন্নগে হোৎনবা অমদি হোৎনরিবা কয়া অসিবু ঐগী ওইনদি খ্বাইদগী নুংঙাইজদবা হায়বদু ওইরি। নুংঙাইবগী হায়রুরগদি অহল –অঙাং খাইদনা ঐবু নুংশিবীবা অসিমুক নুংঙাইজবা লৈতে।

*সুরঃ* হৌজিক্কী মতমদা ঈশৈ হায়বসিনা যুম পুবা ঙমগনি হায়বসি য়ানিংব্রা? তুংগী পান্দম করি ওইগে হায়না খনবগে ? খল্লিবা পান্দম অদু হৌজিক্কী ওইরিবা সমাজ অসিগী ফিভম অসিদা মঙফাওনবা ঙমগনি হায়না খনব্র?

*জেমসঃ* যুম পুবা ঙমগনি, অদুবু মসিনা ৱাৎতা পাদনা নুংঙাই–য়াইফনা হিংবা ঙমগনি হায়বদুদি ওইরিবা সমাজ অসিগী ফিভম অসিদা থাজবা খরদি ৱাৎলি। লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক ঈশৈ হায়বা অসি ঙাইহাক্কী নুঙাইনবা তাবা খক নত্তবদা ঈশৈ হায়বসি থাক ৱাংবা



আর্ট অমনি হায়বা খঙবিরবা মতমদদি করিগুম্বা অহোংবা অমদি লাক্কদ্রা হায়না খল্লি। ঐগী তুংদুগী অশাবুদি চাওজৈ ঐগী ওইনা অদুবু কন্নাগুম্বগী মফমদদি পীক্লমবসু য়াই। ঙম্লীবা মখৈ ঈশৈ হায়বসিগী নোলেজ তান্সিজদুনা তুংগী মীরোলদা কান্নগদৌবা থবক খরদি তৌরমগে খল্লি হায়বসি ঐগী অষানি। করি থবক্লো হায়বদুদি হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়জখিরোই। হায়রুরগা অতাবশিংনা নোক্লবিরকপসু কনানা খঙনি। ঐনা হোৎনজরিবা অসিদা ফেমেলি, ফ্রেন্দস অমদি ওজাশিংনা ঐবু নুংশিবিদুনা কন্দাইদা করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা হোৎনবিরিবা অসিনদি ঐগী মংলান অসি শোয়দনা মংফাওনবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

*সুরঃ* জেমসকী তুংগী পুন্সিদা নিংজরিবা পুম্বা থুংদুনা তুং কোইনা মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙম্মু হায়না পাউ–চে অসিগী মায়কৈদগী য়াইফ মঙ্গল পীজরি।

জেমসঃ জেমসনসু পাউ–চে অমদি দা সুরগী শিংবা ঙম্লরোইদবা লমন অমা তোনশিনজবগা লোয়নন্না থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*